ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না চহী ৪ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম

লামায় ৫

মহৈরোয়শিংগী পীথোক্তনা লৈরিবা স্কোলরশিপকী শেনফম পীথোকপীয়ু

☛ লামায় ২

পি এমনা ষ্টেট পুন্নমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংগা উনগদৌরি

☛ লামায় ৩

অয়াবা য়াওদনা ঈশৈ-নোংমাই তৌনবা থৌরাংলন্বা থিংজিনখ্রে

☛ লামায় ৪

এম দি য়ুগী ৯১শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা *কাপখাইরমদাই* উংখ্রে

☛ লামায় ৭

লুপা ক্রোর ২৭ হেনবগী দ্রগকা কোন্নবা ফাখিবা এ দি সী চান্দেলগী চেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌদা ভাবোক লৈকায়দা ৱাকৎ মীফম ফম্বা

লামায় ২

Vol. 44, Issue No. 336 | লৈবাকপোকপা, লমতাগী ৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, March 16, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### সী এম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক চহী ৪ মপূং ফারকপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা প্রোজেক্ট ৩১১ শঙ্গাখ্রে, ৩৯না উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

# লৈঙাক্না কৈদৌনুংদা এন্টি পিপল ওইরোইদবনি : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচএনএস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসি চহী ৪ মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী লুপা ক্রোর ১০৯৬.০৫ চঙনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ৩১১ শঙ্গাখ্রে, লুপা ক্রোর ২৭৮.৭৭ লোম চঙনা পায়খৎকদবা অনৌবা প্রোজেক্ট ৩৯না উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্না শীন্দুনা ইমর্জিং মণিপুর- সেলেব্রেসন ওফ ফোর য়র্স ওফ এচিভমেন্ট হায়না মিংথোন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈঙাক অসিনা পায়খৎখিবা এচিভমেন্টশিংগী মতাংদা ভিদিও প্রজেন্টেসন পীখিবগা লোয়ননা ফোটো এগজিবিসনসু পাঙথোকখি। কুমজা ২০২১-২২গী ওইনা নবার্দকী তেংবাঙগা লোয়ননা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা ষ্টেট ফোকস পেপরসু চীফ মিনিষ্টরনা লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লৈঙাক্না কৈদৌনুংদা এন্টি পিপল ওইরোইদবনি। এন্টি পিপল ওইবা লৈঙাক্লোন চত্থরকপা মতমদা মীয়ামগী থাজবা ফংবা ঙম্লোই। পোলিটিসিয়ন ওইরবদি মীয়াম্না হঙ্গোইবা, চৈবা, লাপথোক্লিংবনচিংবা মতৌ কয়া ফাওরম্বা অদু হৌজিক্তি উনবা মতমদা মীয়াম্না মখোয়বু কনবা ঙম্লগনি হায়বা ৱাখল্লোন ফাওরে। লৈঙাক অসিদা মীয়াম্না থাজবগী মমি তাহনবা ঙম্বসি নুংঙাইবা পোকই। লৈঙাক অসিনসু মীয়ামগী থাজবা খরমখৈদি নীংথিনা পীবা ঙম্লে খল্লি।

মহাক্না হায়খি, থবক অমা তৌবদা লিদরশিপ য়াওদবা য়াদে। লানবু ওইরো, অমবু ওইরো হীরম খূদিংমক্তা অফবা লিদরশিপ মথৌ তাই। ...*মখা লামায় ৩ কলম*...

## মরোল থোকপা লাই/ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!



- মথৌ তাদুনা মখোঙ লেকপনি ঈকায়নিংঙাই ওইদে!
- হয়েংনা কনানা লেক্তৌরিবা?

## চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মাই-ওন ২০২১ এগজিবিসন হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পুথোরকপা পোথোকশিং উৎপা 'মাই-ওন ২০২১' এগজিবিসন হয়েং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোক্লগনি।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (মহুদ) পি কে সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মীপাল তাঙদবা অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা প্রাইম মিনিষ্টরনা পায়খৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা এগিজিবিসন অসি পাঙথোক্কদবনি। তোঙান-তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিং, ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং, লোকল মেন্যুফেকচররশিং অমসুং সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা পুথোরকপা পোথোক অমদি সর্ভিস কয়া এগজিবিসন অসিদা উৎকনি। লৈবাক অসিদা পুথোক্লিবা পোথোকশিং মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা য়ৌহন্নবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

## শকখঙদবশিংনা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৫ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শকখঙদবশিংনা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্লম্বদগী শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ইতম থোঙ মনাক্তা শকখঙদবশিংনা সাইকল তোংদুনা লাকপা নুপা অমা মখোঙদা নোংমৈনা কাপলম্বদগী শোক্তুনা জেনিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপা অদুগী মমিং লৈতানথেম তোম্বী (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল রাজেন কৌই। মহাক সেক্তা অৱাং লৈকায়দা লৈবনি। পুলিসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না মহাক ঙরাং থবক শুবা চৎলুরগা মমান্নবশিংগা লমলাই বজারদা লৈবা পান দুকান অমদা ক্বা চারুরগা সাইকল ...*মখা লামায় ৩ কলম*...

HL-B/6779/10th Feb. to 21 Mar.

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE
CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
Call the Cab at your Doorstep
for a hassle free service to access your needs.
*Also Available*
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages

Service Timing : 7 am to 5 pm
For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

MAI OWN 2021
16 - 22 March 2021
Hapta Kangjeibung, Imphal
CELEBRATING 4 years of citizen centric governance
Government of Manipur

FROM OUR COURTYARDS TO THE WORLD
An exhibition of world-ready products from all corners of Manipur

Mai-own in Manipuri literally translates to direction. **Mai-own 2021** takes forward our Hon'ble Prime Minister's call for **Vocal for Local to Go Global**, a step towards Aatmanirbhar Bharat. This exhibition reflects the changing perspective of doing trade and business in a new direction by the ever-increasing number of enterprising people of Manipur.

Mai-own 2021 is also about giving power to local entrepreneurs, manufacturers and service providers to reach global standards.

The exhibition is also a part of the larger celebration of the present government successfully completing 4 glorious years of governance.

Inaguration at 10:00 am today by
Shri N. Biren Singh, Hon'ble Chief Minister, Manipur

Shri Narendra Modi
Hon'ble Prime Minister, India

Shri N. Biren Singh
Hon'ble Chief Minister, Manipur

Note: Covid-19 safety protocols & social distancing norms strictly followed at exhibition venue.
Free Entry
HL-B/6844/16

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং ৱিদরস কোর নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫